## ট্রিপোলিগী লান্দা মীওই ৬০০ হেন্না শিরে

ট্রিপোলি, জুন ০৪ (এজেন্সি):

থা অনীগী মমাংদা লিবিয়াগী কেপিটেল ট্রিপোলিদা য়েংথিনরিবা মিলিস্যাশিংগী মরক্তা অকনবা লান হৌখিবদগী হৌজিক ফাওবদা য়ামদ্রবদা মীওই ৬০৭ শিখ্রে অমসুং য়ামদ্রবা মীওই ৩,২৬১ অশোক-অপন নংলে হায়না য়ুনাইটেদ নেসন্সনা ফোঙদোকখ্রে।

লান অদুদা শিখিবশিং অদুগী মনুংদা মীচম ৪০ অমদি অশোকপশিংগী মনুংদা মীচম ১১৭ য়াওই হায়না লিবিয়াদা লৈবা য়ু এনগী ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন্না ত্বিটরদা ফোঙদোকখি।

## অস্রাফ ঘানি পাকিস্তান্দা চৎলগনি

কাবুল, জুন ০৪ (এজেন্সি):

লালহৌবগী থৌদোকশিংগা মরী লৈননা মতম শাংনা অমগা অমগা মরাল শীন্নদুনা লাকপা অফঘানিস্তান অমসুং পাকিস্তানগী মরী ফগৎহন্নবা হোৎনরকপগী শরুক অমা ওইনা অফঘান প্রসিদেন্ট অস্রাফ ঘানিনা মহাক জুন ২৭ তা পাকিস্তানদা ওফিসল খোঙচৎ অমা চৎলগনি হায়না লৈবাকপোকপা নুমিত্তা লাউথোকখ্রে।

## সুদানগী ওপোজিসন্না মিলিটরিগী মায়কৈদগী হৌদোরকপা দেম্মক্রেটিক ট্রাঞ্জিসনগী থৌরাং য়াখিদ্রে



খার্তুম, জুন ০৪ (এজেন্সি):

হৌখিবা এপ্রিলদা সুদানগী প্রসিদেন্ট ওমর অল-বাসিরবু মফমদগী চিংথুখ্রবা মতুংদা লৈবাক অসিগী ওপোজিসন কাঙবুনা লুচিংদুনা মিলিটরি কাউন্সিলগী মায়োক্তা সিভিলিয়ন লৈঙাক লাকহন্নবা তকশিল্লদুনা অকনবা খোঙজংশিং লেপ্তুনা চঙশিল্লকখিবদা নিংথৌকাবা নুমিত্তা সুদানিজ সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা প্রোটেষ্টর কয়া হাৎখ্রবা মতুংদা মিলিটরি রুল্লরশিংনা হৌদোরকখিবা থা ৯ গী মনুংদা লৈবাক অদুদা মীখল পাঙথোকপগী থৌরাং অমা ওপোজিসন কাঙবুনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা রিজেক্ট তৌখ্রে।

ওপোজিসন কাঙবুগা মরী লৈনবা দোক্তরশিংনা ফোঙদোরকখিবগী মতুং ইন্না নিংথৌকাবা নুমিত্তা সেন্ট্রেল খার্তুমদা লৈবা দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী মপান্দা লৈবা প্রোটেষ্ট কেম্প অমদা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা থোমজিনদুনা চথখিবা এটেক্তা য়ামদ্রবা মীওই ৩৫ শিখ্রে অমদি মীওই ২০০ হেন্না অশোক-অপন নংখ্রে। ওপোজিসনগী খোঙজং লেপ্তুনা কনখৎলকপগা লোয়ননা বাসিরবু মফম লৌথোকখিবদগী লৈবাক অদুবু পাল্লকখিবা মিলিটরি কাউন্সিলনা মরু ওইবা ওপোজিসন এলাইয়েন্সকা খুৎয়েক পীনখিবা এগ্রীমেন্ট পুম্নমক কেন্সেল তৌখ্রবনি।

তৌইগুম্বসুং দিক্লারেসন ওফ ফ্রীদম এন্দ চেঞ্জ ফোর্সেস (দি এফ সী এফ) ওপোজিসন এলাইয়েন্সকী লুচিংবা অমা ওইরিবা মদানি অব্বাস মাদানিনা মিলিটরি কাউন্সিলবু নমদুনা লৈঙাক্কী পৱার থাদোকহন্নবগীদমক্তা মরক্তা ফোর্স শীজিন্নদুনা লেপহল্লিবা সিভিল দিসওবিদিএন্স কেম্প্যেন মখা চথখিগনি হায়না ফোঙদোকখি।

ট্রাঞ্জিসনেল মিলিটরি কাউন্সিল (টি এম সী) গী মকোক লেফটনেল জেনরেল অব্দেল ফাতাহ অল-বুর্হাননা মহাক্কী ষ্টেটমেন্টতা পল্লকখিবা ট্রাঞ্জিসনগা মরী লৈনবা ৱাফম পুম্নমক ওপোজিসন্না রিজেক্ট তৌরে হায়না মদানিনা রোইটর্সতা ফোঙদোকখি।

লৈবাকপোক নুমিত্তা কেপিটেল খার্তুমদা লম্বী কয়া প্রোটেষ্টরশিংনা থিংজিনখি। দুকানশিং থোঙ লোন্নবগা লোয়ননা টেন্সন চাওনা লৈবগী এটমোফেয়র অমা উবা ফংখি। দেম্মক্রেটিক ট্রাঞ্জিসনদা কনানা মরু ওইবা থৌদাং লৌগদগে হায়বগী মতাংদা ওপোজিসনগা মিলিটরিগা য়ান্নরকখিদবনি।

## মালেমগী মফম কয়াদা টিয়ানানমেন মীহাৎকী নীংশিং থৌরমশিং পাঙথোক্লখ্রে

হোং কোং, জুন ০৪ (এজেন্সি):



কুমজা ১৯৮৯ দা বৈজিংগী টিয়ানানমেন স্কৱারদা চাইনিজ লান মীশিংনা খুৎলায় পায়দবা মীচম কয়া পাক্তক্লনা হাৎখিবগী ৩০ রক শুবা নীংশিং কুমওন থৌরমশিং লৈবাকপোকপা নুমিত্তা মালেমগী মফম কয়াদা পাঙথোক্লখ্রে।

চাইনাদা দিমোক্রেসিগী অহেনবা থৌরাংশিং পায়খৎনবা অমদি পোলিটিকেল অমসুং সোসল রিফোর্ম কয়া পুরক্লবা তকশিল্লদুনা চাইনিজ কেপিটেল বৈজিংগী ময়াই চবুকমক্তদা লৈরিবা টিয়ানানমেন স্কৱার অমসুং মসিগী অকোয়বদা চয়োম শানা চয়োল কয়া চুপ্পা পুল্লকখিবা প্রো-দিমোক্রেসি প্রোটেষ্টর লিশিং কয়া লাকশিন্নবা লৌখৎলকখিবা চাইনিজ রুল্লরশিংগী খোঙথাং অমদা কুমজা ১৯৮৯ গী জুন ৪ দা পিপলসস লিবরেসন আর্মি ট্রুপশিংনা মীওই চা কয়া হাৎখিবনি।

টিয়ানানমেন স্কৱারগী শাথিরবা থৌদোক অদু থোকখিবা চহী ৩০ শুরকপগী খ্বাইদগী চাওবা নীংশিং থৌরম হোং কোংদা পাঙথোক্লগনি হায়না সী এন এনগী পাউনা হায়রি।

পাউ অসিগী মতুং ইন্না চাইনাগী লমগী শরুক্তা থৌদোক অদুগা মরী লৈনবা নীংশিং থৌরমশিং পাক্তক্লা পাঙথোক্লিবা অমত্তা ঙাইরবা মফমদি হোং কোংনি। হোং কোংদা কুমজা ১৯৯০ দগী হৌনা চহী খুদিংগী ভিক্তোরিয়া পার্কতা মীয়াম্না কেন্দল চুখৎনদুনা টিয়ানানমেনগী থৌদোক অদুবু নীংশিংদুনা লাক্লি।

টাইৱানগী কেপিটেল টাইপৈদা টিয়ানানমেন স্কৱারদা চঙলকখিবা ট্রুপশিংবু থৌশাদনা মখোয়গী মায়োক্তা থৌনা ফনা প্রোটেষ্ট তৌখিবা 'টেঙ্ক মেন' হায়না খঙনরবা মীওই অদুগী শক্তমগা মান্ননা বোল অকান্বীগী মওংদা শেম শারবা অচৌবা মীতম অমা চয়োল কয়ামুক চুপ্পা মীয়াম্না উনবা মওংদা থম্লকখি। নিংথৌকাবা নুমিত্তা টাইৱানগী মেনলেন্দ এফ্যেরস কাউন্সিলনা বৈজিংদা পুৱারীগী অশোয়বশিং মায়োক্লবগা লোয়ননা টিয়ানানমেন স্কৱারগী থৌদোক অদুগী মতাংদা শোইখিবগী নুংনাংবা ফোঙদোক্লবা তকশিনখি। লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ৱাশিংটনদা এমনেষ্টি ইন্টরনেসল য়াওনা হ্যুমেন রাইটস গ্রুপ কয়াগী মীহুৎশিংগা লোয়ননা এক্তিভিষ্টশিংনা রেলি পাঙথোক্কনি হায়রি।

## প্রোটেষ্ট কয়াগী মরক্তা ট্রম্পনা ব্রেক্সিট মতুংদা লল্লোন-ইতিক চাওনা তৌনগনি হায়না বৃটেন্দা থাজবা পীখ্রে





লন্দন, জুন ০৪ (এজেন্সি):

য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পকী বৃটেনদা চৎপা ষ্টেট খোঙচৎকী মায়োক্তা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা লন্দনদা মীওই লিশিং কয়ানা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে। অমরেমাদা, দোনাল্ড ট্রম্পনা বৃটিশ প্রাইম মিনিষ্টর টেরেসা মেগা ৱারী শান্নবদা বৃটেন্না য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন থাদোক্লবা মতুংদা লৈবাক অসিগা য়ু এসকা অচৌবা ট্রেদ দিল অমা খুৎয়েক পীনদুনা লল্লোন-ইতিক চাওনা চথগনি হায়না থাজবা পীখ্রে।

প্রাইম মিনিষ্টর টেরেসা মেগা দাউনিং ষ্ট্রিটতা ৱারী শান্নরিঙৈদা মফম অসিদগী পঙথাপ থাপ্তুনা সেন্ট্রেল লন্দনগী ট্রাফলগর স্কৱারদা প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পকী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট তৌদুনা পুল্লিবশিং অদু রেজিষ্টেন্সকী কার্নিভল অমনি হায়না প্রোটেষ্ট অদুবু শীন-লাংখিবশিংনা ফোঙদোকখি।

বৃটেনগী ওপোজিসন লেবর পার্টিগী লুচিংবা জেরেমি কোর্বিননসু ৱা ঙাঙগদৌরিবা রেল্লি মফম অদুদা অচৌবা কুন্দোগী ফিভম অমা লৈখি। ট্রম্প অসি বৃটিশ মীয়াম্না খ্বাইদগী পান্নদবা ফোরেন লিদরশিংগী মনুংদা অমনি হায়না লৌনৈ। য়ুগোভনা সর্ভে তৌখিবা মীওইশিংগী চাদা ২১ খক্লা ট্রম্পপু য়ানিংবা উৎখি। বৃটিশ নুপীশিংগী মরক্তগী সর্ভে অদুদা মহাকপু য়ানিংবশিংগী মশিং চাদা ১৪ খক্তমক ওইখি।

ট্রম্পকী বৃটেন খোঙচৎ অদুগী অহানবা নুমিত্তা ক্বিন ইলিজাবেথনা মহাকপু হরাও তয়াম্না ওকপগা লোয়ননা অচৌবা চাকলেন অমা য়াওনা লাংখিবা নীংথিরবা থৌরম কয়াদা শরুক য়ারবা মতুং মহাক্লা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা পোলিটিক্সতা মায় ওইশিন্দুনা মেগী মহুৎ শিন্নবা তান্নরিবা কেন্দিদেট কয়াগা উননবগী থৌরাং লৌখৎখি। দাউনিং ষ্ট্রিটতা প্রাইম মিনিষ্টর টেরেসা মেগা ৱারী শান্নবদা ট্রম্পনা ব্রেক্সিট মতুংদা য়ু এস অমসুং বৃটেনগী লল্লোন-ইতিক শীংথানিংঙাই ওইনা ফগৎলগনি হায়না থাজবা পীখি। মেগী মায়কৈদগীসু বৃটেন অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা খুৎশম্ননা থবক তৌমিন্নদুনা মার্কেটশিং ফ্রী, ফ্যের অমসুং ওপন ওইহনগদবনি হায়খি।

## করিগুম্বা টালিবান্না য়ারবদি অফঘান গভর্নমেন্টনা সীজফায়র চৎনহন্নবা শেম শারে : প্রসিদেন্ট ঘানি

কাবুল, জুন ০৪ (এজেন্সি):

করিগুম্বা টালিবান আউটফিটনা সীজফায়র পুরক্লিংবগী অপাম্বা ফোঙদোরক্লবদি অদুগুম্বা সীজফায়র অমা ঙাক্লবগীদমক্তা অফঘান গভর্নমেন্টনা শেম শারে হায়না অফগান প্রসিদেন্ট মোহম্মদ অস্রাফ ঘানিনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

মুস্লিমশিংগী শেংলবা চাকহেন থা রামজাননা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা লোইশিনবগা লোয়ননা পাঙথোক্কদৌরিবা মুস্লিমশিংগী চহীগী ওইবা খ্বাইদগী চাওবা কুন্দো ইদ-উল-ফিটরগা মরী লৈননা পীবা মহাক্কী পাউজেলদা প্রসিদেন্ট ঘানিনা হায়খি মদুদি, অফঘানিস্তান গভর্নমেন্টনা মতম চুপ্পদা সীজফায়র ঙাক্লনবা শেম শাদুনা লৈ। তৌইগুম্বসুং টালিবান গ্রুপনদি সীজফায়রগীদমক্তা শেম শাবা লৈতে।

মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, অফঘান মীয়াম্না নুমিৎ হুম্নি খক্তং পাঙথোক্কদৌরিবা ইদ কুন্দো মনুংদা টালিবান গ্রুপনা সীজফায়র অমা ওবর্জাভ তৌরক্কনি হায়না থাজনখি। প্রসিদেন্ট ঘানিনা লালহৌবশিংবু থৌনা লৈনা মায়োক্লরিবা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংবু থাগৎলদুনা হায়খি মদুদি, গভর্নমেন্টকী মায়োক্তা লৈবা লালহৌবা কাঙবুশিংনা সিক্যুরিটি অমসুং পিছ প্রোসেসতা অকায়বা পীনবা হোৎনবা কয়া থৌনা ফরবা অফঘান লান্মীশিংনা অরেম্বা তাহনখি।





অমরোমদা, টালিবান আউটফিটকী লুচিংবা মুল্লাহ হাইবাতুলাহ অখুন্দঝাদানা নিংথৌকাবা নুমিত্তা পীখিবা পাউজেল অমদা অফঘান গভর্নমেন্টগা ৱারী শান্নবগী ওফর অমুক হন্না রিজেক্ট তৌখিবগা লোয়ননা অফঘানিস্তানদগী মপানগী ফোর্সশিং লৌথোক্ত্রিফাওবা মখা তানা লান তৌখিগনি হায়খি। পনবা য়াবদি, অফঘানিস্তান্দা মরা তপ্পা ফিভম লাকহন্নবগী পান্দমদা দিপ্লোমেটিক খোঙথাং কয়া লৌখৎলিঙৈ চৈরক ইদ কুন্দোগী মাঙওইননা হৌখিবা নুমিৎ খরা অসিদা টালিবান্না কেপিটেল কাবুলদা গভর্নমেন্ট টার্গেটশিংদা এটেক কয়া চথখিবনি।

## লল্লোন-ইতিক্কী লান্দা চাইনানা মরাল থংজিনবগী গেম শান্নদুনা লৈরে : য়ুনাইটেদ ষ্টেটস

ৱাশিংটন, জুন ০৪ (এজেন্সি):



বৈজিংনা ফোঙখিবা হ্বাইট পেপর অমদা ৱাশিংটনবু লল্লোন-ইতিক্কী ৱারী শান্নবদা মায় পাকখিদবগা মরী লৈননা মরাল থংজিনখিবগী পাউখুম ওইনা য়ু এসনা চাইনাবু ৱারী শান্নবগী ৱাহন্থোক লান্না পীদুনা শুপ্পগী মরাল থংজিনবগী গেম অমা শান্নদুনা লৈরে হায়না মরাল শীখ্রে।

নিংথৌকাবা নুমিত্তা থোকখিবা ষ্টেটমেন্ট অমদা প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পগী এদমিনিষ্ট্রেসন্না চাইনাবু লল্লোন-ইতিক্কী ওইবা য়ানখিবা ৱাফম কয়াদগী খোঙফম হন্দোকই হায়নসু মরাল শীখি। লল্লোন-ইতিক্কী ৱারী শান্নবগী থেংখাং খুদিংমক্তা ঐখোয়না মান্নবা ফিরেপ অমা লৌদুনা লাকখি। তৌইগুম্বসুং চাইনানদি পার্টিশিংনা য়ানিখিবা মরু ওইবা এলিমেনশিংদগী খোঙফম হন্দোকখি হায়না ওফিস ওফ দ য়ু এস ট্রেদ রিপ্রজেন্টেটিভ (য়ু এস টি আর)গী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি।

লৈবাক অনীগী মরক্তা চথরকখিবা ট্রেদ নিগোসিএসন্সকী পুৱারী অমসুং মওংবু লান্না পাউথোক্তুনা হন্দক্তা চাইনাগী মায়কৈদগী থোকখিবা পব্লিক ষ্টেটমেন্টশিংদা পনখিবা ৱাফমশিং য়ু এসনা পেন্নিংঙাই ওইদে হায়নসু ষ্টেটমেন্ট অদুনা মখা তাখি।

মে থাদা নাকল অনীগী ইকোনবা ৱারী লোইশিনখিবদগী মখা তাবা লল্লোন-ইতিক্কী ৱারী চথনবা মতম লেপ্পা লৈত্রিবনি। চাইনাগী মায়কৈদগীসু ৱাশিংটনবু ৱারী শান্নবদা মায় পাকখিদবগা মরী লৈননা য়ুম্ফম য়াওদনা বৈজিংবু হান্না য়ানখিবা ৱাফম কয়াদগী খোঙফম হন্দোকই হায়না মরাল হেক্তা শীজিনবগী থৌওং চথৈ হায়না ফোঙদোকখি।

য়ু এস-চাইনাগী লল্লোন-ইতিক্কী ৱারী শান্নবদা খ্বাইদগী খুরৌ থাংবা পোইন্টশিংগী মনুংদা পোৎথোকশিংদা লাউথোকখিবা টারিফশিং কয়াম থুনা লৌথোক্কনি অমদি নাকল অনীগী মরক্তা করম্বা মওংদা ট্রেদ দিল অমা লৈহনগদগে হায়বসি য়াওরি।

## টি ভি রিপোর্টর হাৎপগী থৌদোক কন্দেম তৌখ্রে

পেরিস, জুন ০৪ (এজেন্সি):

হৌখিবা চয়োলদা চাদতা বোকো হররাম জিহাদিষ্টশিংনা চথখিবা এটেক অমদা টেলিভিজন কেমেরামেন ওবেদ নংবাটনাবু হাৎখিবগী থৌদোক য়ুনাইটেদ নেসন্স কলচরেল ওর্গনাইজেসন (য়ুনেস্কো)গী চীফ ঔদ্রি অঝৌলেনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা কন্দেম তৌখ্রে।

ওবেদ নংবাটনাগী মীহাৎ কন্দেম তৌই হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা য়ুনেস্কোগী চীফ অঝৌলেনা মরী লৈনবশিংদা কনফ্লিক্টশিংগী পাউ খোম্বা চৎলিবা রিপোর্টরশিংগী সিক্যুরিটি ফগৎহন্নবা তকশিনখি।

কনফ্লিক্ট জোনশিংদা পাউ লৌবা চৎলিবা জর্নেলিষ্টশিং মীশি-মীনা নংবা য়াবগী রিস্ক ৱাংনা মায়োক্লদুনা লৈরিবনি। মখোয়গী সিক্যুরিটি ফগৎহন্নবগীদমক্তা সেফটিগী প্রোটোকোলশিং নীংথিনা ঙাকপগী তঙাইফদবা লৈ। রিপোর্টর অসি হৌখিবা মে ২৫ দা মিলিটরি কনভোই অমগা লোয়ননা চৎলিঙৈদা লেনমাইন পোকখায়রকপদগী শিখিবনি।

## হাৎখ্রে হায়বা নোর্থ কোরিয়ন দিপ্লোমেট হিংলি

সিওল, জুন ০৪ (এজেন্সি):

সাউথ কারিয়াগী পাউচে অমগী রিপোর্টতা স্কৱাদ অমনা হাৎখ্রে হায়খিবা নোর্থ কোরিয়ন দিপ্লোমেট অমা হৌজিকসু হিংলি অমসুং ষ্টেট কষ্টদিদা লৈরি হায়না সী এন এননা থাজবা য়াবা সোর্সশিং পল্লদুনা হায়রি।

হৌখিবা মে ৩১ দা সাউথ কোরিয়াগী মরু ওইবা পাউচে অমা ওইরিবা কঞ্জার্ভেটিভ চোসুন ইলবোগী রিপোর্ট অমদা নোর্থ কোরিয়ানা ন্যুক্লিয়র নিগোসিএসনগা মরী লৈননা য়ু এসতা থাবা স্পেসল এনবোই ওইরিবা কিম হ্যোক-চোল অসি হৌখিবা ফেব্রুৱারিদা হানোইদা নোর্থ কোরিয়াগী লুচিংবা কিম জোং-উন অমসুং অমেরিকান প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পগী মরক্তা পাঙথোকখিবা অনীশুবা সম্মিট মায় পাকখিবদবগা মরী লৈননা সিনিয়র ওফিসল কয়া চৈরাক পীবগী শরুক অমা ওইনা হৌখিবা মার্চতা ফাইয়রিং স্কৱাদ অমনা হাৎখি হায়না পনখিবনি।


ꯈꯣꯡꯆꯠ/TRAIN YOUR CHILD BRAIN
MID BRAIN ACTIVATION COURSES
(A Life time gift to your child)
Develop your Child's 6th Sense, Nobody Become A Genius by Luck. We Create Leader for the future Make your Kids the Most 'Unique'.



জপানগী Technology অমগী মতেংনা পাঙথোকপা Mid Brain Activation Workshop/Training অসিনা অদোমগী অঙাংবু ৱাখল লৌশিং থৌহনবা, অফবা লমচৎ শাজৎকা লোয়ননা লাইরিক লাইশুদা মীথোই মীহেনবা, পুন্সিদা অচৌবা মায় পাকপা অমা শোয়দনা ওইহনবা ঙমগনি। ঙসি ফাওবদা মীথোই মীহেনবা অঙাং মশীং থিঙমদনা পুথোকখ্রবা, Sunday খুদিংগী লেপ্তনা পাঙথোক্লিবা কোর্স অসিদা অদোমগী অঙাংসু য়াওহনবীনবগীদমক Book তৌবিহৌরো। অকন্নবা সিট মশীংনি। অকুপ্পা মরোলগীদমক কোল তৌবীরকউ।

100% Guarranty

Please contact:
Narajit Moirangthem, Midbrain Master
Genius Mind Tech. Imphal
☎ 8787562714 / 9862287481
Website :- www.gmtmanipur.in
Facebook : gmt imphal.
HL-P/4269/5,7


### IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, OINAM

**Ref :- Mut. Case No. 353/SDC/Oinam of 2019**

Yanglem Dahiram Singh S/o (L) Achou Singh of Yumnam Khunou ...Applicant

-Vs-

(L) Yanglem Thambalmarik Devi W/o (L) Achou Singh of Yumnam Khunou - O.P. Pattadar

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

Oinam, the 4th June, 2019

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি খুল নম্বর ৩২- কৈনৌগী পাট্টা নম্বর ৪৯১ (অনৌবা), দাগ নম্বর ৮৮, এরিয়া একর ১.১৯ চাউবা ফৌরেন লৌফম অসিগী পাট্টাদার অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা দংকারিনা মৃ: পাট্টাদারগী মমিং কল্লগা মাগী মমিংদা লম অসি নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনীংবা লৈরবদি পাউচে অসিদা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোলনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লগা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌজরোই। কোর্টকী মতুং ইন্না কেস মখা চথখ্রগনি।

Sd/- **Victoria Huidrom**
Sub-Deputy Collector, Oinam

HL-B/4354/5


TODAY ꯕꯝꯄꯔ ꯍꯥꯎꯁꯤ TODAY
BUMPER HOUSIE
IN AID OF
Socio Economic Empowerment and Development Organisation
Regd. No. 180 of 1996 (M)
Ticket Rate Rs.500/-
Time : 5:00 pm
MINI BUMPER
Ticket Rate Rs. 100/-
PRIZES : ₹ 30,000/-
ALL LINES : ₹ 2,000/-
1st Housefull: ACTIVA 5G
2nd Housefull: ACTIVA 5G
3rd Housefull: ACTIVA 5G



DATE : 5 JUNE 2019 | VENUE : SHANKER TALKIES, LAMPHEL
HL-P/4270/5


### IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, BISHNUPUR

**Ref :- Mut. Case No. 302/SDC/Bishnupur, 2019**

1. Thao Merina D/o (L) Luwangchao Chothe
2. -do- Chongnem D/o -do- all of Chothe Village ...Petitioners

-Vs-

Luwangchao Chothe S/o (L) Kanglensingh of Chothe. ...O.P.

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

Bishnupur, the 4-6-2019

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি, মদুদি Co-Pattadar No.1 Luwangchao Chothe S/o (Late) Kanglensingh of Chothe দা লৈবগী মিংদা পানবা পাট্টা নং ৩৮/৩০২ (অরিবা), ৬২২ (অনৌবা), সী এস দাগ নং ৩০৯৯গী 1.44 out of 2.28 চাউবা ফৌরেল অসি পাট্টাদর মশা মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী পেটিস্নরগী মিংদা নামা ওনবীরো হায়না দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বশিংনা আপতি তৌনীংবা লৈরবদি পাউচে অসি ফোঙবা নুমীৎতগী নুমীৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারক্কদবনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই। কেস মখা চথগনি।

Sd/- **Sub-Deputy Collector**, Bishnupur

HL-P/4265/5


### OFFICE OF THE IIBIT IMPHAL, MANIPUR

**(Indian Institute of Banking and Information Technology)**
**GSTIN : 18AAFF017234ZK, Branch Code : IIBITM06684**

Vacancy in India's top leading Pvt Bank for the following positions-

i) CSD :- Customer Service Officer female graduate candidate.
ii) Phone Banking Executive :- Graduate with fluent in English, Hindi (Male/Female) both can apply.
iii) Branch Executive :- Any Graduate with age below 32 yrs.
iv) Loan Officer :- Any graduate and experience can apply.
v) BRE/BRM :- 10+2 can apply with fluent English, Hindi.

**Contact : IIBIT**
**(Indian Institute of Banking and Information Technology)**
**Office, Khoyathong Imphal**
**Phone No. : 9612457523 / 6009175954**

HL-B/5367/21-31...


**ꯈꯣꯟꯖꯦꯜ/ শা-ঙা চারগা খোঙ হেন্না হাম্বা, হাম্বা লোইবা ঙমদবা, খোঙ হামদোকখ্রগা অমাংথোঙ অকোয়বদা চক-চক থিনবা, অমাংথোঙ খুজিল্লকপা ফহনবগী ওজা সহিদুর রহমন মককময়ুম্বু থাগৎচরি**



ঐগী হকচাংদা মতম কুইনা নুংশংনা য়াম্না কন্না নাদুনা অমাংথোঙ অকোয়বদা ফুরি মকুপ-মকুপ থোকপা, থোক্লকপা ফুরিদু কায়খ্রগনা ফম্বা য়াদবা, চৎপদা য়াম্না থুপ্পা, শা-ঙা চারগা খোঙ হেন্না হাম্বা, হাম্বা লোইবা ঙমদবা, খোঙ হামদোকখ্রগনা অমাংথোঙ ময়াদা চক-চক থিনবা, অমাংথোঙ খুজিল্লকপা, পুক্তা গ্যাষ্ট্রিক কাখৎলগা খোঙ হাম্বা য়াদবা তৌরম্বা অদু ওজা Sahidur Rahman Makakmayum, Mobile No. 8310735055 / 9612725989 দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিংদু মপুগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Sahidur Rahman বু মতম চুপ্পগী ওইনা মীয়ামগী সেবা তৌবা ঙমহনবীসনু হায়না পাউচেগী খূথাংদা হন্না-হন্না থাগৎচরি।

লায়েংজরিবা মফমশিং :- 1. Mayang Imphal Bengoon Leirak Achouba, 2. Sangai Bazar M/s Gambhir Enterprises Takhellambam Konjil (Hiyangthang), 3. Pallel Bazar, Kakching District.

HL-P/3860/5 *থাগৎচরিবা:* **Khwairakpam Sanahal,** Wabagai Tera Bazar

### IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, BISHNUPUR

**Ref :- Mut. Case No. 304/SDC/Bishnupur, 2019**

1. Lamabam Ajit Singh S/o Mahendra Singh of Keishampat Thiyam Leikai. ...Petitioner

-Vs-

Lamabam Gouramani Singh S/o Yaima Singh of Ngaikhong Khullen. ...O.P.

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

Bishnupur, the 4-6-2019

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি, মদুদি Co-Pattadar No.1 Lamabam Gouramani Singh of Ngaikhong Khullen দা লৈবগী মিংদা পানবা পাট্টা নং ৩৫/৭৫ (অরিবা), ৫০৯ (অনৌবা), সী এস দাগ নং ১২৭গী 0.62 out of 3.12 চাউবা ফৌরেল অসি পাট্টাদর মশা মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী পেটিস্নরগী মিংদা নামা ওনবীরো হায়না দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বশিংনা আপতি তৌনীংবা লৈরবদি পাউচে অসি ফোঙবা নুমীৎতগী নুমীৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারক্কদবনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই। কেস মখা চথগনি।

HL-P/4265/5 Sd/- **Sub-Deputy Collector**, Bishnupur